ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, এপ্রিল ০২, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৮শুবা চহী, ০০৫শুবা মশীং

লান মনুংদা ইলেক্সন
চাক্লিবনা তুকা থিরকখিগদ্রা

লৈবাকসিগী ১৮শুবা লোক সভা মীখল পাঙথোক্লগনি। থা অসিগী ১৯দগী তাঙ্কক ৭ থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবনি। ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূন্নমক্তা পাঙথোক্কদবনা মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী তমথীরবা লান লেপ্তুনা চত্থরক্লগসু মীখলসি মণিপুরদসু পাঙথোক্লগনি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মীখলসি পাঙথোক্কদবা মতম অমসুং মফমশিং লাউথোকখিবদা মণিপুর য়াওরে। শোয়দনা পাঙথোক্লগনি। য়ূম লিশীং ৫ রোম মৈ থাখিবা, মীওই লিশীং ৫০ হেন্না লাঞ্জেন্নবা, মীওই ২০০গী মথক্তা শিখিবা, কয়া অমনা শোকখিবা অমদি নোংমৈ-বোম কাপশিন্নবগী থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোক্লবসু মীখল তৌবা য়ারোইদবা অমসুং য়েথোক্কদবা মফম অমা ওইখিদবনা য়ুনিয়ন টেরিটরিশিং অমদি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা পাঙথোক্লগদবগুম মণিপুরদসু মীখল তৌনবা লেপ্লকপা ওইরমগনি। করিগুম্বা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা লানসিনা খংকন কনশিল্লক্তুনা মীয়াম তোরা-তুনা শিবা নৎত্রগা নেচরেল কেলামিটিনচিংবা থোরক্তুনা মণিপুরগী মীয়াম পূন্নমক লৈনুংদকা ফুমজিনবা নৎত্রগা তুম্নবা মৈনগা চাকখিদ্রবদি য়েথোক্কদবা মান্দ্রে। পাঙথোকফম থোকপা মীখলনি, তৌসনু। অদুবু অতোপ্পা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগীদি খঙদে, মণিপুরগীদি মীখল পাঙথোকপদা মসিদা শরুক য়াগদৌরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং কেন্দিদেটশিংগী খ্বাইদগী খোঙহাই চাবা তাঞ্জানি, পোইনুনি। ভোটরশিংবু কোবি-হঙ্গাম লৈবদৌনা অপাম্বা মশীং ফংননবা লৈবা ঙমগদৌরিবনি। মরমদি অতোপ্পা মফমশিংদা তৌনদব্রা খঙদে, মণিপুরদদি মমাঙ-মমাঙগী লৈঙাকশিংদগী হৌরদুনা মখোয় মখোয়গী মতমদা মীয়ামগী চাওখৎ-থৌরাংগী থবকসিনা হৈক্রু মনাদা য়োল্লগা মমিংতগী ওইনা তৌই। মীয়াম্বু য়ারিবমখৈ মশাগী মখোঙনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনদে। ইলেক্সনগী মতমদা খোইচাক থারগা ফাবদা শৎ-শৎ থুনবা ঙল্লিবা মখৈ চরাম-চদৎনহন্দুনা থম্মী। হান্না লৈখিবা লৈঙাকপু ওইরো নৎত্রগা হৌজিক লৈরিবনবু ওইরো মতমগী মতুংইন্না য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থাদরকপা শেনফমশিংদু শিৎ-শিৎ নান্না মীয়ামগী পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলল্লগদি এম এল এ/মিনিষ্টর, ওফিসর/এঞ্জিনিয়র অমসুং কন্ত্রেক্টরশিংগী য়ূমশিং কোনুংদৌনা শারগা অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলম্বগী মহুত্তা মীয়ামগী য়ূম্লে-কৈরৈ অমসুং পূন্সি মহিং ওইনা ফগৎলল্লোইদ্রা হায়বনি।

পূন্নমকসিগী ওন্ন-তৈনবদা তৌরকপনা মণিপুরগী মীয়াম ঙসি ফাওবা হামচৎ-হাম্ফোইনরগা চরি তৎলগা উতাংবীদৌনা লৈরকখিবা নৎত্রা? মীওই খুজোক অমনা চাবা থকপা ৱাৎত্রগা, অৱাংবা য়ূমদা লৈদুনা মমল য়াম্বা গাড়ী খরা তোংলগা মণিপুর লায়রবা লৈত্রে হায়বা য়াগদ্রা? হৌজিক্তি মীয়ামগী মীহুৎশিংসিনা ওইহনবীরক্লিবা ফীভমশিংসিগী মথক্তা থা ১১ চঙশিল্লক্লবা লানগী চৈথেংসু কোকথোংনহল্লক্লবনিনা ভোট খোম্বদা করিগী খুদোংচারোইদবগে? ময়ূম-মকে তুম্না মৈ থাদোকখ্রবা, হিংলি হায়বতা ঙাইরবা হকচাংদুদগী হেন্না অতোপ্পা পোৎলম অমত্তগী মপূ ওইজবা ঙমজদ্রবা মীওইশিংসিদি চাকনিবনা তুকা থিবা য়াদে হায়বদুগী খোঙফমদা লেপ্লিবা নৎত্রা? মখোয়গী মথক্তা লানসিনা শেন্মীৎলোন শোকহন্দবা য়াওদবা ভোটরশিংদবু ভোট খোল্লুবদা পোৎচং মশীং য়াম্না চঙখিগদ্রা? মসিমক্লসু ষ্টেট লৈঙাক্লা মণিপুরগীদি লান লোইদ্রি, মীয়াম পূন্নমক চঙ ফংনা ৱারি, মীখল পাঙথোকখিগুমসি হায়রকপগী মহুত্তা 'ইলেক্সনদি দেমোক্রেসিনিনা তৌদবা য়ারোই' হায়রকখ্রিবদু মসিগীদমক ওইগদৌরিব্রা? মীয়াম্না ৱারিবা মখৈ, পূন্সি মহিং ফীভম চাদ্রিবা মখৈ পাঙথোরকপা মীখল পূন্নমক্লা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং মীরেপশিংগী পোইনু ওই হায়বসিমদি চুমদ্রিং চুল্লবা ৱাফম্নি। অদুবু হন্দক্কী মীখলসিদদি হৈর-হৈরবা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং মীরেপশিংগী হাইগৎলাংনা কনবরা, লান নংলবা মীয়ামগী থম্মোয়না চেৎপ্রা হায়বদু ময়েক শেংনা উবা ফংগদৌরি। খোংলগা খঙগদৌরি। খোয়শাওনরবা মীয়াম্না লান্দা শিরবসু শিবা, চাদ-থক্তনা শিরবসু শিবা হায়দুনা মৈ-ঈশিংনা লিৎশিনবা ঙমদনা লৈথোকখ্রদি য়ুনিয়ন লৈঙাক পায়খিগনি খিংলিবা পার্টি ফুদিৎতা মাঙজোং চোংদুনা কুঞ্জা কাওখাইরগা উপথুদুনা তুবদা য়ামাংগা লোইনা কেনখিনিকো!! হায়বিদে হায়নি।

ꯂꯥꯟ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟ
ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯅꯥ ꯇꯨꯀꯥ ꯊꯤꯔꯀꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯱꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯒꯅꯤ॥ ꯊꯥ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯱꯹ꯗꯒꯤ ꯇꯥꯡꯀꯛ ꯷ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ॥ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯇꯦꯔꯤꯇꯣꯔꯤ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛꯇꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯕꯅꯥ ꯃꯃꯥꯡ ꯆꯍꯤ ꯲꯰꯲꯳ꯒꯤ ꯃꯦ ꯳ꯗꯒꯤ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕꯥ ꯂꯥꯟ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯒꯁꯨ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯁꯨ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯒꯅꯤ॥ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟ ꯀꯝꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯐ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ (ꯏ ꯁꯤ ꯑꯥꯏ) ꯅꯥ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯕꯥ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯐꯃꯁꯤꯡ ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯗꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯌꯥꯑꯣꯔꯦ॥ ꯁꯣꯌꯗꯅꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯒꯅꯤ॥ ꯌꯨꯝ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯵ ꯔꯣꯝ ꯃꯩ ꯊꯥꯈꯤꯕꯥ, ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯵꯰ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯂꯥꯟꯖꯦꯟꯅꯕꯥ, ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯲꯰꯰ꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯁꯤꯈꯤꯕꯥ, ꯀꯌꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯁꯣꯛꯈꯤꯕꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯅꯣꯡꯃꯩ-ꯕꯣꯝ ꯀꯥꯞꯁꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯊꯣꯛꯂꯕꯁꯨ ꯃꯤꯈꯜ ꯇꯧꯕꯥ ꯌꯥꯔꯣꯏꯗꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯦꯊꯣꯛꯀꯗꯕꯥ ꯃꯐꯝ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯈꯤꯗꯕꯅꯥ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯇꯦꯔꯤꯇꯣꯔꯤꯁꯤꯡ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯁ꯭ꯇꯦꯇꯁꯤꯡꯗꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯒꯗꯕꯒꯨꯝ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯁꯨ ꯃꯤꯈꯜ ꯇꯧꯅꯕꯥ ꯂꯦꯞꯂꯀꯄꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯒꯅꯤ॥ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤꯅꯥ ꯈꯪꯀꯟ ꯀꯟꯁꯤꯜꯂꯛꯇꯨꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯇꯣꯔꯥ-ꯇꯨꯅꯥ ꯁꯤꯕꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯅꯦꯆꯔꯦꯜ ꯀꯦꯂꯥꯃꯤꯇꯤꯅꯆꯤꯡꯕꯥ ꯊꯣꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛ ꯂꯩꯅꯨꯡꯗꯀꯥ ꯐꯨꯃꯖꯤꯅꯕꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯇꯨꯝꯅꯕꯥ ꯃꯩꯅꯒꯥ ꯆꯥꯛꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯌꯦꯊꯣꯛꯀꯗꯕꯥ ꯃꯥꯟꯗ꯭ꯔꯦ॥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯐꯝ ꯊꯣꯀꯄꯥ ꯃꯤꯈꯂꯅꯤ, ꯇꯧꯁꯅꯨ॥ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯇꯦꯔꯤꯇꯣꯔꯤꯁꯤꯡꯒꯤꯗꯤ ꯈꯉꯗꯦ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤꯗꯤ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯄꯗꯥ ꯃꯁꯤꯗꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯦꯟꯗꯤꯗꯦꯠꯁꯤꯡꯒꯤ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯈꯣꯡꯍꯥꯏ ꯆꯥꯕꯥ ꯇꯥꯟꯖꯥꯅꯤ, ꯄꯣꯏꯅꯨꯅꯤ॥ ꯚꯣꯇꯔꯁꯤꯡꯕꯨ ꯀꯣꯕꯤ-ꯍꯪꯒꯥꯝ ꯂꯩꯕꯗꯧꯅꯥ ꯑꯄꯥꯝꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ ꯐꯪꯅꯅꯕꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯉꯃꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ॥ ꯃꯔꯃꯗꯤ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯃꯐꯃꯁꯤꯡꯗꯥ ꯇꯧꯅꯗꯕ꯭ꯔꯥ ꯈꯉꯗꯦ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯗꯤ ꯃꯃꯥꯡ-ꯃꯃꯥꯡꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯀꯁꯤꯡꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯗꯨꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯆꯥꯎꯈꯠ-ꯊꯧꯔꯥꯡꯒꯤ ꯊꯕꯀꯁꯤꯅꯥ ꯍꯩꯛꯔꯨ ꯃꯅꯥꯗꯥ ꯌꯣꯜꯂꯒꯥ ꯃꯃꯤꯡꯇꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯇꯧꯏ॥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯕꯨ ꯌꯥꯔꯤꯕꯃꯈꯩ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯃꯈꯣꯡꯅꯥ ꯃꯔꯣꯝꯗꯣꯝ ꯂꯦꯄꯆꯕꯥ ꯉꯝꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯗꯦ॥ ꯏꯂꯦꯛꯁꯅꯒꯤ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯈꯣꯏꯆꯥꯛ ꯊꯥꯔꯒꯥ ꯐꯥꯕꯗꯥ ꯁꯠ-ꯁꯠ ꯊꯨꯅꯕꯥ ꯉꯜꯂꯤꯕꯥ ꯃꯈꯩ ꯆꯔꯥꯝ-ꯆꯗꯠꯅꯍꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯝꯃꯤ॥ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯂꯩꯈꯤꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯀꯄꯨ ꯑꯣꯏꯔꯣ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯩꯔꯤꯕꯅꯕꯨ ꯑꯣꯏꯔꯣ ꯃꯇꯃꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯏꯟꯅꯥ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯌꯥꯏꯐꯅꯕꯒꯤꯗꯃꯛ ꯊꯥꯗꯔꯀꯄꯥ ꯁꯦꯅꯐꯃꯁꯤꯡꯗꯨ ꯁꯤꯠ-ꯁꯤꯠ ꯅꯥꯟꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯐꯝ ꯊꯣꯀꯄꯥ ꯊꯕꯀꯁꯤꯡ ꯄꯥꯌꯈꯠꯂꯜꯂꯒꯗꯤ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ/ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ, ꯑꯣꯐꯤꯁꯔ/ꯑꯦꯟꯖꯤꯅꯤꯌꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯟꯠꯔꯦꯛꯇꯔꯁꯤꯡꯒꯤ ꯌꯨꯃꯁꯤꯡ ꯀꯣꯅꯨꯡꯗꯧꯅꯥ ꯁꯥꯔꯒꯥ ꯑꯇꯤꯌꯥ ꯄꯛꯂꯥ ꯋꯥꯡꯈꯠꯂꯝꯕꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯌꯨꯝꯂꯦ-ꯀꯩꯔꯩ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯃꯍꯤꯡ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯐꯒꯠꯂꯜꯂꯣꯏꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ॥

ꯄꯨꯟꯅꯃꯛꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯟꯅ-ꯇꯩꯅꯕꯗꯥ ꯇꯧꯔꯀꯄꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯉꯁꯤ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯍꯥꯃꯆꯠ-ꯍꯥꯝꯐꯣꯏꯅꯔꯒꯥ ꯆꯔꯤ ꯇꯠꯂꯒꯥ ꯎꯇꯥꯡꯕꯤꯗꯧꯅꯥ ꯂꯩꯔꯀꯈꯤꯕꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯥ? ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯈꯨꯖꯣꯛ ꯑꯃꯅꯥ ꯆꯥꯕꯥ ꯊꯀꯄꯥ ꯋꯥꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ, ꯑꯋꯥꯡꯕꯥ ꯌꯨꯃꯗꯥ ꯂꯩꯗꯨꯅꯥ ꯃꯃꯜ ꯌꯥꯝꯕꯥ ꯒꯥꯗꯤ ꯈꯔꯥ ꯇꯣꯡꯂꯒꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯥꯌꯔꯕꯥ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯌꯥꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡꯁꯤꯅꯥ ꯑꯣꯏꯍꯟꯕꯤꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯡꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯊꯥ ꯱꯱ ꯆꯡꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯥ ꯂꯥꯅꯒꯤ ꯆꯩꯊꯦꯡꯁꯨ ꯀꯣꯛꯊꯣꯡꯅꯍꯜꯂꯛꯂꯕꯅꯤꯅꯥ ꯚꯣꯠ ꯈꯣꯝꯕꯗꯥ ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯔꯣꯏꯗꯕꯒꯦ? ꯃꯌꯨꯝ-ꯃꯀꯦ ꯇꯨꯝꯅꯥ ꯃꯩ ꯊꯥꯗꯣꯀꯈ꯭ꯔꯕꯥ, ꯍꯤꯡꯂꯤ ꯍꯥꯌꯕꯇꯥ ꯉꯥꯏꯔꯕꯥ ꯍꯀꯆꯥꯡꯗꯨꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯄꯣꯠꯂꯝ ꯑꯃꯠꯇꯒꯤ ꯃꯄꯨ ꯑꯣꯏꯖꯕꯥ ꯉꯃꯖꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯁꯤꯗꯤ ꯆꯥꯛꯅꯤꯕꯅꯥ ꯇꯨꯀꯥ ꯊꯤꯕꯥ ꯌꯥꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯒꯤ ꯈꯣꯡꯐꯃꯗꯥ ꯂꯦꯞꯂꯤꯕꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯥ? ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯂꯥꯅꯁꯤꯅꯥ ꯁꯦꯟꯃꯤꯠꯂꯣꯟ ꯁꯣꯀꯍꯟꯗꯕꯥ ꯌꯥꯑꯣꯗꯕꯥ ꯚꯣꯇꯔꯁꯤꯡꯗꯕꯨ ꯚꯣꯠ ꯈꯣꯜꯂꯨꯕꯗꯥ ꯄꯣꯠꯆꯪ ꯃꯁꯤꯡ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯆꯡꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯃꯁꯤꯃꯛꯂꯁꯨ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤꯗꯤ ꯂꯥꯟ ꯂꯣꯏꯗ꯭ꯔꯤ, ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛ ꯆꯡ ꯐꯪꯅꯥ ꯋꯥꯔꯤ, ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯈꯤꯒꯨꯃꯁꯤ ꯍꯥꯌꯔꯀꯄꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ 'ꯏꯂꯦꯛꯁꯅꯗꯤ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯅꯤꯅꯥ ꯇꯧꯗꯕꯥ ꯌꯥꯔꯣꯏ' ꯍꯥꯌꯔꯀꯈ꯭ꯔꯤꯕꯗꯨ ꯃꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯑꯣꯏꯒꯗꯧꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ? ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯋꯥꯔꯤꯕꯥ ꯃꯈꯩ, ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯃꯍꯤꯡ ꯐꯤꯚꯝ ꯆꯥꯗ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯃꯈꯩ ꯄꯥꯡꯊꯣꯔꯀꯄꯥ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛꯂꯥ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯤꯔꯦꯞꯁꯤꯡꯒꯤ ꯄꯣꯏꯅꯨ ꯑꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯃꯗꯤ ꯆꯨꯝꯗ꯭ꯔꯤꯡ ꯆꯨꯜꯂꯕꯥ ꯋꯥꯐꯝꯅꯤ॥ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯟꯗꯛꯀꯤ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤꯗꯗꯤ ꯍꯩꯔ-ꯍꯩꯔꯕꯥ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯤꯔꯦꯞꯁꯤꯡꯒꯤ ꯍꯥꯏꯒꯠꯂꯥꯡꯅꯥ ꯀꯅꯕꯔꯥ, ꯂꯥꯟ ꯅꯪꯂꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯅꯥ ꯆꯦꯠꯄ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯅꯥ ꯎꯕꯥ ꯐꯪꯒꯗꯧꯔꯤ॥ ꯈꯣꯡꯂꯒꯥ ꯈꯉꯒꯗꯧꯔꯤ॥ ꯈꯣꯌꯁꯥꯑꯣꯅꯔꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯥꯟꯗꯥ ꯁꯤꯔꯕꯁꯨ ꯁꯤꯕꯥ, ꯆꯥꯗ-ꯊꯛꯇꯅꯥ ꯁꯤꯔꯕꯁꯨ ꯁꯤꯕꯥ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯃꯩ-ꯏꯁꯤꯡꯅꯥ ꯂꯤꯠꯁꯤꯟꯕꯥ ꯉꯃꯗꯅꯥ ꯂꯩꯊꯣꯀꯈ꯭ꯔꯗꯤ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯄꯥꯌꯈꯤꯒꯅꯤ ꯈꯤꯡꯂꯤꯕꯥ ꯄꯥꯔꯇꯤ ꯐꯨꯗꯤꯠꯇꯥ ꯃꯥꯡꯖꯣꯡ ꯆꯣꯡꯗꯨꯅꯥ ꯀꯨꯟꯖꯥ ꯀꯥꯑꯣꯈꯥꯏꯔꯒꯥ ꯎꯄꯊꯨꯗꯨꯅꯥ ꯇꯨꯕꯗꯥ ꯌꯥꯃꯥꯡꯒꯥ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯀꯦꯅꯈꯤꯅꯤꯀꯣ!! ꯍꯥꯌꯕꯤꯗꯦ ꯍꯥꯌꯅꯤ॥

রিলিফ কেম্পতগী লাউরকপা খোল্লাও

হেক্তা হায়নীংলকই - ৮০৭

জিতেন নামৈরাকপম

নোংমগী নুমিৎ অসি অসুম্মক লাকই। অসুম-অসুম হৌখি। লেপ্তুনা চৎপা মালেম পৃথি মাগী খোঙচৎনা মশামক উংনা-উংনা নুমিৎকী অকোয়বদা ইলিপটিকেল পাথতা চৎতুনা সিজনেল চেঞ্জ তৌনা তৌনা অনৌবা চহী কয়া হৌখিবনা মণিপুরগী লান, পূন্সিদসু অমুক্তা থোকখিদ্রিবা কুকি মীতৈ কনফ্লিক্ট চহী অমা ফাজিল্লক্কদৌরে, খঙহৌদে। কুইররোই লাক্কনি মেগী তারিখ ৩ ওন্থোক্লা ফৎখিদ্রবা, ওন্থোক্লা পূক্লিং নুংশিনীংঙাই ওইরবা কাউঙল্লরোইদবা মীশি-মীনা, মীহাৎ-মীপূন, য়ূম কৈ কয়া মৈ থাদোকপীখিবা। হৌজিকসু রিলিফ কেম্পতা লৈদুনা ৱানা খাঙলিবা মীৎকী পি কংদ্রিবা মীওই লিশীং কয়া, ঙসিসু মখোয়না হংলি "কৈদৌঙৈ ঐখোয় ইশা-ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহন্দুনা নে-তানা লৈহনবা ঙমগনি"। তৌরিবা মতৌ অসিবু করিনো? করম্বা মখলগী লৈঙাক্লো। শান্তি হঞ্জিলহন্দুনা হান্নগী পূন্সি মরেলদা লৈহনবদা থৌদাং লৌবা ঙম্বা কনাগুম্বা লুচিংবা অমত্তা লৈত্রবরা? মতম মতম্না পুরকপা লাইবক থীবা থৌদোক্লি, নশা নশাগী নরাইবক্লি, মতম্না অওনবা শোয়দনা পুরক্কনি হায়দুনা অসুম লৈথোকপা তারিব্রা?

মতমগী ৱাদি অসুম অসুম হৌখি। অমুকসু লাকই। মণিপুরদা শান্তিদি ওইদ্রি। কুকি লমহেন-তুহেনবশিং খোমজিল্লগা চীংথক্তগী মীতৈনা তারিবা চীংয়া তময়াগী খুঙ্গংশিংদা নোংমৈ কাপথরকপগী পাউদি তাখিদ্রে, তূমিন্না লৈখ্রে। করি অঙ্ক হোৎলিবনো। করম্বা লাল্লোং অমুক ঔরাইরিবনো কনানসু হায়বা ঙমদে। লান লেপ্লে, নোংমৈ কাপ্নরগুমসি, ঐখোয়গী থা ১১ মুক মঙ মঙলুরবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মঙ পুমকাই কাইরে, হন্দোকচরগে, হান্নগী পূন্সি মরেলদা নুংশি চান্নদা লৈমিন্নরসি হায়বা ৱা কুকিনা হৌজিকসু হায়দ্রিবা, য়ান্নদ্রিবা মরম্না লান অসি লোইশিল্লে হায়না লৌবদি য়াদ্রি। অমরোমদা মণিপুরগী মীয়াম্না পাম্না দিমান্দ তৌখিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন মখা তানা চৎনহন্দবা হায়বা ৱাফমদুনা করোমদা চৎখ্রবা, সেন্ত্রেল লৈঙাকসু কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংসু তূমিন্না লৈশিনখ্রে। মখা তানা শাংদোকপগী খূৎয়েক পীনখিবগী পাউসু তাদ্রি। ষ্টেটস কোদা থল্লিব্রা করিনো কনামত্তদসু হায়দোক্তে। মণিপুর লৈঙাকসু খঙলিব্রা, খঙদ্রিবরা তূমিন অসুম লৈশিল্লি। তৌবতবু মীয়াম্নদি হায়নরি মদুদি সস্পেন্সন ওফ ওপরেসননা হেক চৎনহন্দ্রবা মতমদা মণিপুরদা শান্তিদি শোয়দনা লাক্লনি।

নাকল অমরোমদা অমুক য়েংলুবা মতমদনা কুকিশিংনা হৌজিক তম্পাক্লমদা ওনশিল্লগা নোংমৈ কাপথরক্ত্রিবা অসি ইন্দিয়া শিনবা থুংনা পাঙথোক্কদবা থা অমা ফারক্ত্রবা ১৮শুবা লোক সভা ইলেক্সনগা মরী শোয়দনা লৈনরমগনি। হয়েং ভোট লোইখ্রগা করি অমুক তৌরক্কদৌরিবা? ৱাহংগী ৱাহং ঙাক্তনি। হৌজিক্কী ওইরিবা মওং অসিনদি করম্বা এজেন্দা অমা মনুংদা ফুমদুনা লৈরিগবা। মীয়াম্নসু তত্তনা হায়নখি। পেৎ লাউবা মণিপুরগী লান খামজিনবা, লেপহনবা কৈসু নত্তে। অমিট শাহরা, মোদিজিরা অমনা ৱাহৈ অমা হায়খিবা মতমদা খুদক্তা লান খাম্বা ঙমগনি। কচ্চাগী ৱানি। নহানমখৈ অসুক কুইনা লান খাল্লক্ত্রবা হৌজিক্লা মীওই ২০০গী মথক্তা শিহনখ্রগা, শোয়নাইহনবা য়াবা শোয়নাইহনখ্রগা মীওই লিশীং কয়ানা হৌজিকসু ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙমদনা শাইদাংদুনা লৈহল্লগা লান খংঈংথহনবগুম তৌরিবসিনদি পূন্নমক মখোয়গী খূৎতা লৈরে হায়বদুসু তাকচরবনি। পূন্নমক অসিগী খল্লুরবদি হে অঙম্বশা নখোয়সি মীনুংশি খঙদবা, নপুক ফত্তবা মচৎ অমদি য়াওরি হায়নীংই। মীবু অসুক য়াম্না ৱাহনবা, অসুক য়াম্না লাক্লবা হৌনব্রা?

মীশিং অসি লাক্লবা য়াবা লাক্লরগা ৱাবা য়াবা ৱাহল্লগা হান্নগী পূন্সি মরেলদা হঞ্জিলহন্দ্রিঙৈ চৈরক্তা হৌজিকপু করিগী ভোট, ভোট শুংথা থাদজরোই- রিলিফ কেম্পতগী থোরকপা খোল্লাওনি। খল্লুরগদি ওন্থোক্লা নুংশিবগী মশক্লি। লাঞ্জেন্নবদা য়াওহৌদবশিংনা ওমচাক্লনা খাঙলিবা মৈচাক অদু খঙবীদবগী ৱানি। ব্রোইলর য়েন লোয়বগুম্না পাঙ্গলসু থোক্ত, তৌফমসু খঙদা, ৱাকৎ তাবীনবসু লৈত, করি মতৌ কৌবগে, ঐখোয় কৈদৌঙৈ ইয়ূম য়ূমদা হঞ্জিলহনবীগনি হায়বসি ঙসিসু লানগী চৈথেংদা মপি কংদ্রিবশিংগী ৱাহং ওইনা হংদুনা লৈরি। ভোটতি থাদনগদবা কুইরক্ত্রে, লাক্লিবা এপ্রিলগী তারিখ ১৯দগী পাঙথোক্লবা শেম শাবা হৌনখ্রে। ভোট থাদনগদবা নুমিৎ অসিগী মমাঙদা লাঞ্জেন্নরিবশিং ময়ূম ময়ূমদা হঞ্জিলহনগনি হায়বগী থাজবসু লৈতে। অমরোমদা বুল দোজরনা তকখায়দুনা লৈতেম মান্ননা তেমথোকপীখ্রবা, মী অমা লৈরম্মী, য়ূম, লৈকায়, খুল লৈরম্মী হায়বগী ষ্ট্রকচর মচেৎ অমা ফাওবা লৈত্রবা খোঙ্গুল ফাওবা মূথুৎপীখ্রবা চুড়াচান্দপুরদগী লাঞ্জেন্নরক্লিবশিংনা করম্বা মওংদা হঞ্জিন্দুনা লৈরুগনি। চপ মান্নে কাংপোকপী, মোটবুং, মোরেদসুনি তরায় তরায়না হঞ্জিল্লুবা ওইথোক্ত্রি।

পূন্নমক অসি দিসপ্লেস তৌবীখ্রবা মীতৈখক্তগী ৱাসু নত্তে। কুকিসুনি। মখোয়গী মহুম থুগাইবীবদগী চেক্লাগুম কোইপাই পাইরগা অফংবা মফমদা য়ারেকপগুম রিলিফ কেম্পশিংদা ওন্থোক্লা ৱারবা পূন্সি মহিংদা হিংলি। হিংলি হায়বদং মঙাইরে নুংঙাইফম খঙবা নত্তে। মখোয়নসু মশা মশাগী খুলদা হঞ্জিন্দুনা চরা নামত্তং চারবসু অপন অরাক, য়ৈখাই থিনগাইবা য়াওদনা নীংতম্না হিংনীংনি। ইম্ফাল ভেল্লিদগী হিংনবা চেন্নখ্রবা থেংন-থেংনরুবা মফমশিংদা শাইদাংলিবশিংসু ইম্ফাল সহরগী মহাও কাউবা ঙমদ্রি। মীতৈনা দেল্লীদা লৈরুবগী নুংঙাইবগুম ইম্ফালনা মখোয়গীসু দেল্লীনি। পূন্নমক অসি ওইজরগসু হন্দক্কী লোক সভাগী ইলেক্সন অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা ভোট থাদবা য়ারবশিং ভোট ফাওবদি অদোম অদোমগী অপাম্বা মীহুৎ খল্লগা থাদহন্নীংই। মরমদি ঐনা ভোট থাদগেরা থাদরোইরা নম্ফুদা অদুম লোইশিনখিগদবা মরৈরে। অহেনবা ভোট থাদখিদ্রগদি অদোম্না খ্বাইদগী পামদবা মীরেপ অদুনা ভোট কাখিবসু য়াই।

ঐনা হেক পোল্লকপদগী ঙসি ফাওবসিদা এম পি ইলেক্সন ৭ লক্তি থাদখ্রে। হন্দক্কী লাক্কদৌরিবা অসি থারগদি ৮ লক শুরগনি। মরমদি ইন্দিয়ন সিটিজেন অমনা চহী ১৮ শুরবা মতুংদা ভোট থাদহনবা য়াই। মীওইবা অমনা চহী ৫গী টর্ম অসিদা ভোট থাদগে হায়না থাদরবদা য়াম্লবদা ১৬ লক কুম্বা মঙায়। চহী ১০০ শুরবা মীওই অমনা এম পিগীবু ওইরো নৎত্রগা বিধান সভাগীবু ওইরো চহী ১০০ শুরবা মীওই অমনা থাদবদা ১৬ লক্তগী হেন্নীংঙাই লৈতে। এম পি ইলেক্সনগী ওইনা অইবনা ৭লক ভোট থাদরুবদা পহারি, এদভোকেট খাইদেম মনি, ডা. নরদা ভোট পীরুবা মতমদা শুক্কা হেক কাখিদ্রি। হন্দক্কীসিমদি ওন্থোক্লা কাহন্নীংখ্রেদা! ●

ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ৫০

ইমালোল	মীরোল (ইংলিস)
ফোঙ ফোঙ কায়বা লৈঙোই লম	Sandy land/soil
লৈতাল লম (ঈশিং চুপ্তুবা/ঈশিং তুংগনবা লম)	Clay land/soil
ঈশিং চায়নবা ঈশিং পুফম/হিশিংগী চৎফম ঈশিংগী লম্বী/মরম	Canal
পাম্বী, মহৈ মরোংশিংদা চাইনবা ঈশিং চেনফম/চনফম/লৌখোং	Irrigation
চরোংদগী মহৈ মরোংগী মহৈ/মরূ কেলহন্নবা/লৌথোক্লবা/খায়দোক্লবা য়ৈবা	Threshing
শম্লা, য়ূমগী চাকখুমদা থোং থাকপদা মথৌ তাবা মনা মশিং থাবা	Kitchen Gardening
পূনশিন লৌউ	Composite Farming
লৈঙাক্কী ওইবা ফার্ম নৎত্রগা ফার্মশিং অদুবু মীয়াম খূৎপু অমনা চলাইবা	Collective Farming
শিন্মীশিংগী খূৎশুমল	Wages
খূৎলং (লৌউবশিংগী মরক্তা অহানবা লৌহোন ফোইবা, লিংবা অদুগা লৌ খাওবা মতমদসু লৌ খাওবা য়ৈবা-চপ মান্নবা মতেং নৎত্রগা খুদোংচাবা পীনবা	Reciprocity
লৌউ শিংউবগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা মখা তানা অনৌবা লৌশিংশিং পুথোক্লবা/খঙনবা থিজিল্লোইশিং	Agricultural Scientists

ইরোল মীরোল খঙদনা শীজিন্নবা :-

লাইরিক হৈবসু হৈতবসু করি লোলনো হায়বা খন্থদনা হেক্তমক হান্না পংশি শীজিন্নরম্বসি তোকথোক্লগা হৌজিক্তদি ইরোল মীরোল মশক খঙনা শীজিন্ননবা হোৎনবগী মথৌ তারক্লে। করিগীনো হায়বদা ইশাগী ইরোল ইয়েক লৈজবনা ঐখোয়না করিনো হায়বা খন্থদনা মীরোল য়াম্না থেৎতুনা ঙাঙলুবা ইরুবা মতমদা "মীরমগী মীনা অখঙবা য়াওরম্বদগী নখোয়না ঙাঙলিবা ইরিবদুদা ঐখোয়গী (মীতোপকী) লোল য়াম্না য়াওই হায়রকপদা ইকায় ফিরুক খুম্বা হায়বদু শোয়দনা থোক্কনি।" মসিগী ফীভমসি য়ৌদ্রিঙৈদা ঐখোয় ইশানা মরু ওইনা মীরমগী লোলসু হৈবা খঙলবশিংনা লোলয়ান্নি হায়বা খঙলবশিংদি ইবদা অমদি ঙাঙবদা শীজিন্নবা তোকপীবনা মীতোপকী মমাঙদা চোপ্পা নংগদবদগী কনবনা হেন্না লেমলোইদ্রা হায়না থমজগে। মসিগী পান্দমদি ইরোলনা ইরোল ওইনা মীরোলনা মীরোল ওইনা তশেং তশেংনা শীজিন্নসি হায়বসিনি। অদুবু নাকল অমরোমদা অমুক মীগী মরোল তল্লগা অৱাংবা থাক্কী শকখঙচে (মীরোলদা দিগ্রি/সর্টিফিকেট) পায়রবনি হায়বা খরনা মীগী মরোল ময়াম অমা থেৎলগা নৎত্রগা মীরমগী ৱাখল্লোন ৱায়রগা/শীজিন্নরগা ইবা লাইরিক, ৱারেং, শৈরেংগীদমক মীরমগী লূপ কয়ানা পীবা মনা মথুম (মীরোলদা প্রাইজ) ফংনীংবা ওইরগনা ইশাগী ইরোলদা মীরমগী লোলনা 'লোলয়ান' ওইহন্নীংবগী অপাম্বা পান্দমনি হায়না লৌগনি। পান্দম অনীসি মায়ওন মান্নদে। মায়ওন অমত্তা ওইহনসি হায়রগনা, তৌদবা য়াদবা অমা ওইরগনা মশানা পামজনা তল্লুরগা হৈজবা মীরমগী লোলদুদা মনা-মথুম ফংবা য়াব্রা য়েংলবদি কায়দে হায়বা তাই। মতমদুদদি লোল অমনা লোল অমদা য়ানশিনবা হায়বদু ওইদ্রে। থোক্ত্রে হায়না লৌরগনি। অদোমগী হৈবীরিবদু নমথজনীংবগী ৱাফম নৎচদে।

ৱাখল ইহুল
সোরাম ইবোহল লুৱাং

মতাং অসিদা লাইরিক হৈবগা লাইরিক হৈতবগা খেন্নবা অমদি শোয়দনা লৈগনি। লাইরিক হৈবগীদি ঙমখৈ অসুক হায়বা লৈরোই। অদুগা লাইরিক হৈতবগীদি হান্নদগী মীরম হিন্দু লাইনীং (মরু ওইনা) লমদমসিগী মৈদিংঙু খরনা পামজনা লৌরুবদগী মাগী মীচম মীয়ামদা নম্ফুদা চৎহন্নবা হোৎনবদা চহী চনী-চহুম রোম ইরোলগা মীরোলগা তোৎশিন য়ানশিন্ননা হায়বদি ইরোলগী ওইবা লোলদি থাদোক্তনা মীরোলগা ইরোলগা মান্নবশিংদু পূন্না পূন্না শীজিন্নরকখিবদগী ওইরকপনিনা লাইরিক হৈতবশিংগীদি ঙমখৈ অমা লৈগনি। অদুনা ইরোল মীরাইবদি লাইরিক হৈবশিংননি।

খুদম খরা ওইনা খুন্নাইদা ঙাঙনবা/হায়নবা মওং অসুম্না থমজরি :-

লাইরিক হৈবা হৈতবা অনীমক্লা ইরোলগা মীরোলগা য়ানশিন্নরগা শীজিন্নবা খরা

১) সন্ধ্যা য়াচংবা হায়বসিদা য়াচংবা হায়বসি ইরোলনি। সন্ধ্যানা মীরোলনি। নুমিৎ তারে। "সন্ধ্যা য়াচংবা" লাই থাওমৈ থানবা মতমদা য়ূমগী অঙাং কপহনবা, মী কৌবা অমদি থোং থাক্লবা পোৎ দুকান্দগী লৈবা ফত্তে।

২) দষা লাংফম হায়বসিদা লাংফম্না ইরোলনি অদুগা দষানা মীরোলনি। হন্দক মরকসি তৌরুবা থবক খুদিংমক্তা খুরৌ য়াম্না থাংই। 'দষা লাংফম' অমুক্তং অখঙবদা য়েংথোকপনা ফগদবা মাল্লি।

৩) মপোক মশাৎ কোষ্ঠি - অকোনবগীসি মীরোলনি। অহানবগীনা ইরোলনি। ইশুসি হন্দক্তি অশোক অপন য়াম্না তৌই, অদুনা মপোক মশাৎ কোষ্ঠি অমুক্তা য়েংথোকপীরুগে। ●

মীতৈগী পুয়া 'নিঙথৌলোল্ লম্পুপা'
(নিংথৌরোল লম্বুবা) - (১৩৬)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মাইকৈ নোংপোক থংবা লম। লিলরাই লমদম খারঙ পোক। তাঙজা লিললা পাখংবা ৱাইংৎ লম। মরুমবী হংঙোই কোনথঙ নুরাবী ৱাইকোই লম। ককলেল মীঙমবা য়ারেক লৈনফম। লমলেল শীনম শঙগোল। তোংমারেংবা মশঙ ফম। ঙাংমারেংপা মহাককী মফমলেল। তিৱী ৱাইকো পাং। মুংপী লমবী লমথোল পান। মিংকৌবদি করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। অয়াঙ চামবা লৈখামবনা পোইরৈ মৈতৈ লমদা। খুল কুমনা লাকপদা। ময়ুম শেনলোই লমগী মীওইনা। লমবীবু মুংবী ও। কোকতা তুপপা য়েনপাকপুদি ৱাইকৌ ও। থোংবু তীৱী ও হায়না মিংকৌয়ে। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) - (꯱꯳꯶)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯒꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯥ
ꯂꯥꯌꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯀꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯊꯪꯕꯥ ꯂꯝ॥ ꯂꯤꯂꯔꯥꯏ ꯂꯝꯗꯝ ꯈꯥꯔꯡ ꯄꯣꯛ॥ ꯇꯥꯡꯖꯥ ꯂꯤꯂꯂꯥ ꯄꯥꯈꯪꯕꯥ ꯋꯥꯏꯪꯠ ꯂꯝ॥ ꯃꯔꯨꯝꯕꯤ ꯍꯪꯉꯣꯏ ꯀꯣꯅꯊꯡ ꯅꯨꯔꯥꯕꯤ ꯋꯥꯏꯀꯣꯏ ꯂꯝ॥ ꯀꯛꯂꯦꯜ ꯃꯤꯡꯃꯕꯥ ꯌꯥꯔꯦꯛ ꯂꯩꯅꯐꯝ॥ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯁꯤꯅꯝ ꯁꯡꯒꯣꯜ॥ ꯇꯣꯡꯃꯥꯔꯦꯡꯕꯥ ꯃꯁꯡ ꯐꯝ॥ ꯉꯥꯡꯃꯥꯔꯦꯡꯄꯥ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯃꯐꯝꯂꯦꯜ॥ ꯇꯤꯋꯤ ꯋꯥꯏꯀꯣ ꯄꯥꯡ॥ ꯃꯨꯡꯄꯤ ꯂꯝꯕꯤ ꯂꯝꯊꯣꯜ ꯄꯥꯟ॥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯗꯤ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ॥ ꯑꯌꯥꯡ ꯆꯥꯝꯕꯥ ꯂꯩꯈꯥꯝꯕꯅꯥ ꯄꯣꯏꯔꯩ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯝꯗꯥ॥ ꯈꯨꯜ ꯀꯨꯝꯅꯥ ꯂꯥꯀꯄꯗꯥ॥ ꯃꯌꯨꯝ ꯁꯦꯅꯂꯣꯏ ꯂꯃꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯅꯥ॥ ꯂꯝꯕꯤꯕꯨ ꯃꯨꯡꯕꯤ ꯑꯣ॥ ꯀꯣꯛꯇꯥ ꯇꯨꯞꯄꯥ ꯌꯦꯅꯄꯥꯛꯄꯨꯗꯤ ꯋꯥꯏꯀꯧ ꯑꯣ॥ ꯊꯣꯡꯕꯨ ꯇꯤꯋꯤ ꯑꯣ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ॥ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লগা মরী লৈনদে।